# তম্বতনা ৱাংলগদবা, মতিক ময়াইতনা চীংগুম ৱাংলিবা এক্টর ক্ষেত্রিময়ুম রাশি দেবী

*- নানি*

অরিবা লৈতনা অনৌবা লৈবা হৌনদে। পান্থী অমগী ফজরিবা অসি অরি-অনৌ মান্ননা পুময়োম য়োমদুনা, মকুম মথাগী মতুংইন্না অরিবনা কেনখ্রগা অনৌবা য়েন্নিংনা ঙাংশং ঙাংনা চোংলকপগী মহৌশাগী খোঙচৎ অদুনি। মসিদি থুগায়বা য়াবা খোঙচৎ নত্তে। ঙরাংগী মমিং লৈরবা তাঙলবা অহল-লমন কয়া অসিনা য়োমশিন্দুনা থন্বীরম্বা ঐখোয়গী লেমজনিংঙাই ওইরবা কলচরগী লনগৈ কয়াশিং অসি ঙসিগী মীরোল অসিনা ময়েং তাদনবা হোৎনবা, হান্না লৈরম্লিবা অদুগী মথক্তা অমুক্কা হেন্না ৱাংখৎনা থোনগৎপা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসিনি মাঙদা তাদুনা লৈরিবা। অহল-লমনশিং অদুগী ৱারী ৱাখোং খরদং নৌনা হৌরক্লিবা মীয়ামদা পাউদমজরগা মখোয়গী পুন্সি শেমগৎলকপদা, মখোয়গী মিংচৎ উরোং অদু উরগা হৌরক্লিবশিংদা করি ফাওহনবা ঙম্বগে হায়বা অদু য়েংমিন্ননবা তেন্তকপা পাউদমশিং পাউচেসিনা মীয়ামদা থমজ দুনা লাক্লি। ঙসিসু তাঙলবা মণিপুর ঠিএটরগী আর্টিষ্ট অমা ওইরিবী অমদি মণিপুরী ফিল্মগীরোমদা অমুক য়েংলগনা মালেম শিনবা থুংনা মণিপুরী ফিল্মবু শক তাকপদা, অচৌবা থৌদাং লৌজরকখিবী আর্টিষ্ট অমগী মপাও পুদুনা লাকচরি।

ঙসি মীয়ামদা পুজরক্লিবা আর্টিষ্ট অসি মণিপুরী ঠিএটরগী **জাদোনাং** হায়বা প্লে অদুদা *রানি গাইদিনলিয়ু* শাবদা থোইদোক হেন্দোক্লা মমিং চৎখিবী, চীং অমদি তমগী মীপুম তিংনা খঙনখিবী আর্টিষ্ট অমদি মণিপুরী ফিল্ম **ইমাগী নিংথেম** দা *আইদিএল মাদর* অমগী রোল লৌদুনা লমদমসিগী নুপীশিংগী থম্মোয়দা লোৎতুনা লৈরিবা মচা নুংশিবা অমদি মীওইবগী তাঙলবা নুপী ওইবীগী লৈতেং কয়ানা য়োম্লবী অমা শাখিবদা মমিং লৈখিবী ক্ষেত্রিয়মুম রাশিনি। শক্লাইরবী অসিগা উনজদুনা ৱারী শাজরুবগী তেন্তকপা পাউদম খরা অদু তমজগে, "ঐ উরিপোকতা পোকখি, অপোকপনা ভুবোন ইমানা রাশমনি কৌই। হৌজিক্তি অনীমক লৈখিদ্রে। ইমাসি মতমদুগী মমিং লৈরবী দ্রামাগী আর্টিষ্ট অমা ওইখি। অদুবু করিগুম্বা মরম খরদগী ঐ ইমাগী পোকফম ওইরিবা থাংমৈবন্দ লৌরুং পুরেল লৈকায়দা চাউরকখি। হৌজিকসু মফমদুমক্তদা লৈরি। ঐবু পীক্লিঙৈদা কনা অমত্তনা য়েংশিনবীনবা লৈরকখিদে, ঐগীদি ইচেসু ইবুংসু অমত্তা লৈজদে, ইমা পোকপা ইপুবোক্লা শেন্নবীরকই। য়াম্লা ৱানা নংনা হৌরকখি। পুন্সিদা নীং তম্লা শেৎনিং চানিংবা অমা ফাওবা ফংলক্তে, হৌজিকসু ফীভম অদুদগী পংহেন হেনগৎপা ওইদ্রি। হৌজিক্লবুদি খরা য়াইফরে। ইমা দ্রামা চৎলগা, অঙম্বা থবক শু-নোম্লগা ঐবু থাকপীরকই। মমিং লৈখ্রবী ইমানা সন্থি খুল্লগা শীং ওইনা থারকই। শীং লৈনবা শেল লৈখিদে। লম্ফেলপাৎ অসিমক লৈরমদ্রবদি হেন্না অৱাবা ওইরমগনি, ইমানা অশংবা মতমদা লম্ফেলদা ঈন চিংই, ঙা ফাই, মতম মতমগী ওইবা শিনফম শুদুনা শেল তাল্লকই। নোংমা ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা, মতমদুগী মমিং লৈরবা ৱাঙ্গৈাই দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ওজাশিং দল্লিয়ু নুপামচা, ওজা রাজমোহোননচিংবা ইমাবু মখোয়গী দ্রামাগী আর্টিষ্ট ওইনবা নেকপা লাকখি। অদুবু ইমাদি লম্ফেলদা সন্থি খুনবা চৎখি। মখোয়না মাঙ্গোলদা ফমদুনা ইমাবু ঙাইখি। ইমানা থুমোক মচা অমদা সন্থি খুল্লুরগা মকোক্তা থোঙ্গৎতুনা লাকপদা মাঙ্গোলদা মী ফম্বদু উবদা ইমানা থুমোক্তু থুনা থল্লগা মখুৎ মশা হামদুনা ঈকায়না চঙলকখিবদু ঐ হৌজিক্তদা নীংশিংলগা তুজুংবা ফাওনা নুংশিরিয়ে। ঐগী পুন্সিদা থেংনরকখিবা অৱা নুংঙাইগী পোৎলুম কয়া অদু অমুক হন্না কাউবা ঙম্লরোই। ইমাগী মতুংদা ঐ কোন্নথংদা আর্টকী লম্বী অসিদা চঙলকখিবনি। ইমাগা তীন্নরম্বা ময়াম্না ঐবু হিংনবগী লম্বী অমা থিরকপদা আর্টিষ্ট অমা ওইনবা ইনশিনবীখিবনি, লম্বী য়াৎলকখিবনি, ইহান হানবা ওইনা অর্য়ান ঠিএটরদা য়াওরকখি। অহল-লমনশিংনা ঐবু নীংথিনা তাকপী তম্বীরকখি। মখোয়গী মপান্না ঐ তপ্লা তপ্লা আর্ট এক্টিং করিনো হায়বা অসি খঙলকখিবনি। মমৈথংদদি হিংবদা চঙবা শেলনা হেন্না মথৌ তারকপদগী ইমাগুম তোঙান তোঙানবা মণিপুরগী ঠিএটর গ্রুপ কয়াগী আর্টিষ্ট ওইনা নেক্লকপদা ঐহাক অর্য়ানগী অহল-লমন ওজ াশিংদগী অয়াবা লৌরগা ঐসু চৎপা হৌরকখি। মতমদুদদি নুপী আর্টিষ্ট অসি য়াম্না তাঙলম্মী। অদুনা দ্রামা অমা শান্নবদা ঐহাকপুসু নেকপা য়াম্না লাকপীখি। মখোয় ময়াম্না নেকপীরকপদুনা ঐগী ফীভম অসি অসুম অসুম শেন্বীরকখিবনি। মতমদুদা শেলদি য়াম্না ফংদে, লুপা ৫০/১০০ ফংবা অদুনি। মমলগী ৱা ঙাকসু নত্তে, পামজবদুসু য়াওবনিনা থোইদোক্লা মমল থিরক্তে, মীনা পীরকপা খরা অদুনা অদুম অপেনবা ওইখি।



ঙসি ফাওবদা কাউবা ঙমদনা নীংশিংলিবদি, দ্রামাদা মহারানি শানবা ফিজেৎ লৈতেং ফজবা অমত্তসু ঐগীদি লৈজদে, লৈকায়গী ইচে ইনেমশিং, ইমান্নবীশিংদগী ফনেক, ইন্নফি ফি ৱাইদুনা পুই, মখোয়নসু নুংশিবীদুনা পীবী, মদু শেৎলুরগা কেনা মৌনা দ্রামা থোক্লুরগা য়ুমদা হল্লকপদা চরা কয়া হেনখিবদু, ঐবু করম্না কাউরসিগে। ঐদি ময়াম্না নুংশিবীবদগী ফীভম অসি য়ৌরকপনি, নৎলমদ্রবদি মথোং চাদনা লোইরমখিবা য়াই। য়াম্না ৱানা হৌরকখিদা। অদুবু দ্রামা তৌরকপদা আর্ট এক্টিং তৌরকপদদি ইহাক সিনি নানি হায়বা খঙখিদে, ওজাশিং অহল-লমনশিং অদুনা তাকপীখিবশিংদু, য়াম্না থৱায় য়াওনা ৱানা হোৎনখি। খঙদবশিং ওজাদা হঞ্জিন হঞ্জিন হংবদা চোকথবা লৈখিদে। অদুগুম্বা কয়া অদুনসু ইশাগী ওইবা মথন্তা পোকচরকপা ৱাখল্লোন কয়া অমসু থোরকখি। আর্টিষ্ট অমদদি মসিসু য়াম্না মথৌ তাই। মসি থোরক্লবা হোৎনবা হায়বসিসু কাঙলোন অমা চুম্না খল্লগা থোরক্কদবনি, ঐ অদু তৌগে হায়রগা হেক্তা থোরক্কদবদি নত্তে। পুম্নমকশিং অসি ঐবু পোকপী ইমা অমদি ওজাশিংগী মপান্দগীনি হায়না ঐনা হৌজিকসু খল্লগা মখোয়বু পূক্লিংদা খুরুমজরি।

মণিপুরী ফিল্ম অমা নমগদৌরি হায়দুনা ঐবুসু য়াওনবা হায়রকপদা ঐ য়াম্না হরাওখি। ফিল্মদু মতমগী মণিপুর হায়বা অদুনি, মদুদা ঐসি করি রোল শাগদৌরিবনো, করিনো হায়বা থোইদোক্লা খল্লুবা তৌখিদে। অপাম্বসু লৈখিদে। মণিপুরী ফিল্ম অমা পুথোকপা হায়বসি য়াম্না মরুওই খল্লুবনা শেল থুমগী, রোলগী খল্লুবা শংদে। ঐখোয় লোয়নমক থৱায় য়াওনদুনা নমখিবনি। কোলকাতাদা চৎলগা অয়াম্বা শরুক নমখিবনি। কোলকাতাদা ফিল্ম নম্লিঙৈদা নোংমদি ঐ ইশাসি খরা নুংঙাইতবা অমা য়াওখি অদুনা ঐ ঐখোয়না লৈরিবা মফমদুদা লৈহৌখি। মতমদু দুর্গা পুজাগী মতমনি। লৈরিবা য়ুমদুগী অনকপদা নুপা অমনা অপীকপা মচা অনী মখুৎ শমদুনা দুর্গা পুজাগী থৌরম য়াওবা চৎপা মাল্লি, পুথোরকপদু ঐনা উখি। মদু উরুবদগী ঐ য়ুমদা লৈহৌরিবা অপীকপা ইচাশিং নীংশিংলক্তুনা মচি অমদা চঙশিন্দুনা পেন্না কপখি। য়াম্না কপনিংখি। হৌজিকসু নীংশিংলুরগা কপনিংলি।


ফিল্ম অসিগী মতুংদা **লমজা পর্শুরাম** হায়বা অমসু নমখি। মদুদা ঐসি কেথবী হায়বা রোল অমা শাখি। ফিল্মদু হেক থোকখিবদগী ঐসি লম্বী চৎপদসু ময়ামসিনা "ইমাগী মমৌ ইহাকপু থাজৌ" হায়না পংলক্তা লক্লে, মদুদৈ হেন্দোক্তুনা, ইমাংসিদা ফন ফন চোংশিল্লকপগসু য়াওরিপোৎনি। অদুদসু ঐ কোলকাটাদা ঈশৈদু নম্বগী চৎলি, ঈশৈ মরক্তুদা দাইলোগ অমা য়াওই, মদু রেকোর্দিং তৌবগী। "ঐনা ওফিস কাবা, নংনা চাক থোংবা, ঐনা সিনেমা য়েংবা নংনা অঙাং লৌবা, নশানা য়ারবরা" হায়বা অদুনি। মদুদা ভাইওলিন খোংবা ময়ামদুনগা য়াম্মীবা, ঈশৈদুগী মপা চানা ঐনা দাইলোগতু ঙাংদৌরিবনি। ইশাসি পাখৎপনা থক থক নীকখি। অদুবু ঈশ্বরনা চানবীবদগী অহানবা লৌবদুদা অশোয় অঙাম য়াওদনা রেকোর্দ লৌখি। মদুগী ফিল্মদুগী মতুংদা, ওলাংথাগী ৱাংমদসু হায়বা ফিল্মসি অমুক নমখি। মদুদসু ঐহাক রোল অমা ফংদুনা য়াওখি। সিগী মতুংদগীদি ইমাগী নিংথেম হায়বা ফিল্ম অসি লাকখিবনি। মসিদগী দিরেক্টর ওইবীরিবা, ঐগী ওজা, ঐগ্যা শ্যামনা হন্দক্তি ঐখোয় ইশাগী খুৎশু খুৎলাই, ঐখোয়গী হেক লৈজবশিংনা নমগদবা ফিল্মনি, মপানগী মী অমত্তা য়াওরোই, নংনা শাগদৌরিবসিনা পোক্তবী মমা অমগী রোলনি, সুমাই সুমাই তৌগদবনি হায়না ৱারী লীবি। নমগদবা ঙমগদবা কয়াগী মতাংদসু ঐগ্যানা হয়েংদগী সিগুম্বগী সিন অমা নমগদবনি, নংনা তৌগদৌরিবসি সিনি নং নশানা খল্লু হায়না নীংথিজনা তাকপী। মদু ঐনা য়ুমদা অহিং তুমদবমখৈ খল্লি। ওইহন্নিংবা দিরেক্টরগী ৱাখল অদুদা ঐনা তৌগদবশিং অদু খনবদা য়াম্না ৱাখি। থৱায় ৱানা নমখিবা ফিল্মনি। ফিল্ম অদু মীয়াম্না পান্থীবদগী মালেম শিনবা থুংনা চৎখি। মদুসু ঐগীদি য়াম্না নুংঙাইজবা অমা হায়বদু ওইখি।"

ৱারী য়াম্না লীবি, লোয়নমক তম্বদা ফংলিবা স্পেস অসিগা চুশিন্নদবনা খরা তেনশিঞ্জরে। অদুবু ইরোই লোইবদা অসিমত্তংগা হায়বীরকখি, "আর্টিষ্ট অমা ওইগে হায়রবদি, তৌগদৌরিবা অদুদা য়াম্না পূক্লিং লুপ্পা চঙই। চুম্নগী ঐগী পামজবনি হায়বদুদি য়ারোই। ওজাশিংদগী য়াম্না তমগদবনি, রোল অদুগী মরমদসু য়াম্না খঙগদবনি, রোল অদুনা ঙাংগদৌরিবা লোল অদু চিনফা পুগদবনি, ৱাহৈ খূদিংগী ৱাহন্থোক খঙনা দিসিপ্লিন লৈনা উৎলবতদা অফবা আর্টিষ্ট অমা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। আর্টিষ্ট অমা হায়বা অসিদি মী অমনা হেক্তা ওইবা য়াবা নত্তে। অদুনা ইশাগী লৈজরিবা টেলেন্ট অদু নীংথিনা শীজিন্নবা হৈবা অমা চঙই, টেলেন্ট অদুবু মথৌ শংগে হায়রবদি তম্বা হায়বসিদগী হেনবা অমা লৈতে। তমদনা হৈবসু লৈতে। অদুনা য়াম্না নীংথিনা তমহন্নিংই। অখঙবা ওজা ময়াম অমা লৈরি, ওজাশিংগী মনাক্তা চৎলগা তম্বগী খুদোংচাবা অদু লৌহন্নিংই।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১০।১০।২০২১ ইং, নোংমাইজিং;
মেরাগী ৫নি পানবা।



মেষ: ইচঙ থৌবা, নচা-ননাই লোয়নবা অমদি লেঙদবা লন চাওখৎনবা হোৎনবদা থোইনা মায় পাকচবা নুমিৎনি। মীয়াম্না য়াগনি। অদুবু চরাংনবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ: নিংবদি শোয়দনা থুংগনি, মীচঙ খোম্বা অমদি নঙগা নক্লবা মীশিংগা পাঙমিন্নবা থবকসু মায় পাক্কনি। অদুবু পোরম শিনবা অমদি অনম তানবদি য়ারোই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন: হকচাং নুংঙাইবা হেনবা, অরং-অরাক ফংবা নত্রগা নুংশিবা মরুপ ফংজবা লৈগনি। লেঙদবা লন তানশিনবসু য়াগনি য়েৎনবা/অখং অহৈদি শাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি অনৌবা থৌরম নত্তনা অতৈদি লোয়নমক মায় পাক্কনি। মরু ওইনা শেল-থুম, মরুপ লোয়নবা, লম চৎপা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ: নাপল অমদি অশাওবনা মাঙহনগদবা নুমিৎনি, অদুনা ঈংথৌ। হকচাংসু নুংঙাইবা ৱাৎকনি, অচম্বা চাও। ইমুং মনুংগী ৱা তাবখক্তনা কান্নগদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নোল্লুক্লা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কন্যা: পেন্দবদি লৈ, খোইরাংগনু অমদি য়েৎনরুনু, মাইথিগনি। অনৌবা ৱাখল্লোন অমদি মীচঙদি ফংগনি। লৌশিং চাওবা মরুপ লোয়নরদি মায়থিরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱা য়াম্না ঙাংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

তুলা: য়েৎনবা পান্নবা, মীৱা লৌরবা অমদি অরোনবা ৱা ঙাংথোক্লবা মায় পাকপা ৱাগনি। অদুবু থেংলপ্পা হকচাং নুংঙাইগনি অমদি মীয়াম্না য়াগনি, পাখৎকনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মীনা ইনশিনবা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: হরাওবা-নুংঙাইবা, মীচঙ হেনগৎপা অমদি লাই-গুরুনা চানবীবা নুমিৎনি। শেল-থুম, মীয়ামগী মতেং অমদি লৈতেং ফংগনি। হুরানবদৈদি খুউ শেল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু: য়েক্লবা লৈরম্লসু মাঙখিনি, থৌনা ফুদোকপনা অরুবা থবক পাঙগনি অমদি চাদিং হন্থগনি। ঙাং-শকপদা মীয়াম্না তানিংগনি। নিংবদুমক্তি পাঙদা য়াদে খনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাংবদা রাশি য়াওগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মকর: লাইবক ফগনি, মীচঙ হেনগৎকনি অমদি ইমুং মনুং ৱাতান্ননা পাঙবা থবক খুদিং শোয়দনা মায় পাক্কনি। য়েৎনবা/ৱানোম থৌনোমদি -কান্নবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা থুংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

কুম্ভ: থবক পাঙগনি, য়েক্লবা মাঙখিনি অমদি অনৌবা থৌরম পাঙবা হৌবা য়াগনি। নথক থোংবনা য়াবা অমদি অফবা মরুপ ফংবা য়াবা লৈ। মৈদগীদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিন: মীয়ামগা লোয়ননবা হোৎনৌ অমদি নঙগী ওইবা মীশিংগী ৱাতমক তাবা ফগনি। অনম তানগনু অমদি মৈদগী চেকশিন্দবা তৌগনু। নোল্লুক্লা চৎপা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - হান্নগুম মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




নুপা অমা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিখি
স্বর্গ য়ৌরবা মতুংদা তাইবং মপুদা মহাক্লা হংই-
মপুইবুংঙো ঐবু করিগী কনবিবা লাকপিদ্রিবনো?
মপুইবুংঙো : অপঙবা ! করিগুম্বা মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা, করিগুম্বা মতমদনা চীফ মিনিষ্টর, দি সী অমুক ওই, করিগুম্বা মতমদনা অমুক পুলিস ওই। চাম্মরকনি ঐনা লাক্তুনা হায়খিবা য়ূমদগী মপান থোক্কনু-থোক্কনু হায়না। তাবা কৌবা লৈখিব্রা? নঙবু করম্বা মহাভারতকী আর্জুন ওইদুনা ঐনা ৱিরাত রুপ লৌরগা তাক্কদৌরিবনো?

অঙাওবা নুপা অমনা লাইরিক অমা পায়বা উবদা দোক্টরনা হায় -
দোক্টর : অঙাওবা মদু করিনো?
অঙাওবা : ঐনা ইবা লাইরিকনি, ঐনা অদোমদা য়েংহনগে হায়না পুরকপনি। পেজ ৫০০ পানবা লাইরিকনি।
দোক্টর : পেজ ৫০০ অসিদা করি-করি ইরিবা?
অঙাওবা : অহানবা লৈমায়দা 'নিংথৌ অমা শগোল তোংদুনা উমংলোমদা চৎলি হায়না ই। অদুগা অরোইবা লৈমায়দনা নিংথৌ অদু উমংদা থুংখ্রে হায়না ই।'
দোক্টর : মরক্কী লৈমায় পেজ ৪৯৮ অদুদনা করি ইরিবা ?
অঙাওবা : কুদ্রুক - কুদ্রুক - কুদ্রুক - কুদ্রুক - কুদ্রুক - কুদ্রুক ....
দোক্টর : য়াম্না ফজে ! অদুবু লাইরিক অদুবু কনানা পাদৌরিবনো ?
অঙাওবা : ৱাটসএপতা থাগৎতৌরিবনে, ৱাটসএপতা অঙাওবগী অৱাৎপা লৈতে।

কালেনগী মতমনি মোংফম অমগী মথক্তা নুপী অমা ফমদুনা লৈরম্মী।
নুপা : কীদ্রা ইবেম্মা নঙ নথন্তা মোংফম মথক্তা ফম্লিদুবু ?
নুপী : করি তৌবগী কীদৌরিনো... মোংফম মনুংদা য়াম্না শাদুনা মথক্তা কাখৎলগা ফম্লিনে...!!!

ইন্টর্ভিয়ুর : নঙোন্দা রিস্ক টেকিং কেপাসিটি কয়াম লৈবগে?
কেন্দিদেট : সর, শেম্বিবা তাইবঙ মপুদা ঐনা মথংগী মপোক্তসু হৌজিক ঐনা লৌরিবা নুপী অসিমক ওইনা পীবিয়ু হায়না বোর নিজরি ...!!!

ফেসবুক : ঐ পূম্নমকপু মশক খঙই।
গোগল : ঐগী নাক্তা পোৎশক খুদিংগী দিটেলস লৈ।
ইন্টরনেট : ঐ য়াওদনা নখোয় করিমত্তা তৌবা ঙম্লোই।
চার্জর : তুমিন্না লৈয়ু ...!!


দুকান মপু : ঐগী দুকান সিদা অসি নৎতবা খোংউপ অমত্তা লৈত্রে অতৈদি লোয়না অদোম্না তোংলগা য়েংলবদুনি।
নুপী : মথক্কী রেক অসিদা লৈরিবা বোক্স অসি করিনো?
দুকান মপু : ইবেম্মা, ঐবু ওৎপীরনু, রেকতা লৈরিবা অসি য়ূমদগী পুরকপা লঞ্চ বোক্সনি।


☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।


Title : Ship
By : Asem Lanchenbi Devi
Class : Pre Nursery Sec : A Roll : 19
School : Vision Kid.


Title : Super Man
By : Athoiba Mangang
Class : KG Roll : 32
School : Trinity Public School


Title : A Beautiful Girl
By : Debhila Pebam
Class : VI Sec : B Roll : 14
Address : Little Flower School


Title : Astronaut
By : Liklam Soibam
Class : I Roll : 1
School : P.K.C. Langmeidong



Title : Anime Boy and Girl
By : Atom Malemngangbi Chanu
Class : VII
School : Langjing High School


Title : Winnie the Pooh
By : Master Robert
Class : KG Roll : 4
School : Christ Jyoti English School


Title : Scenery
By : Moirangthem Ornivash Singh
Class : VIII Sec : A Roll : 10
School : The Evergreen Flowers' School



Title : A Unicorn
By : Niftyson Pebam
Class : IV Sec : D Roll : 50
School : St. Joseph's Hr. Sec. School


Title : Friday Night Funkin Butthead
By : Osburt Phamdom
Class : KG
School : Don Bosco High School, Langjing


Title : Happy Teachers Day
By : R.K. Arjun Sana
Class : III A Roll : 25
School : Bethany School, Guwahati


Title : Sunset Point
By : Th. Linthoinganbi
Class : V Sec : Lotus Roll : 5
School : Sl Arena of Learning


Title : Our School
By : Volenson Yendrembam
Class : II Sec : A Roll : 8
School : Kids Tower School, Malom


Title : Scenery
By : Kh. Bikash
Class : IV Sec : A Roll No. 28
School : Maheilen Education Centre


Title : A Village
By : Pibathoi
Sec: IV Roll : 16 B
School : Maheilen Education Centre


Title : Children Park
By : Ozina Thounaojam
Class : V Roll : 87
School : Catholic School, Canchipur


Title : John Cabot
By : Benilla Laishram
Class : VII Sec : D
School : Poree Imom Sindam Sang, Langjing

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।